# ময়ি চৎলবা লুহোংবা - করম’ তাইশিন্নগনি!

মতম খরগী মমাঙদা ঐগী মোবাইলগী ‘ৱাটসএপ মেসেজ বোক্স’ তা পাউজেল অমা ফংখি। পাউজেল অদু কনাগুম্বা অমনা মাগী পুন্সি খোঙলোয়, ‘লোয়নবী’ অদুবু শৈথাদুনা ইবনি। শৈরেংগী মওংদা, তাস্থা নাইবা ৱাহায়দা, হিন্দি লোলদা ইবনি। ৱাহৈ পরেং মঙা-তরাখক নত্তে। ফনা শাংবা শৈরেংনি। খঙই-অইবা নুপা কবি’দু ‘মতূ’ না (ফজদবা ৱাহৈনি খনবীনু হায়গে খন্না হায়রিবনি) থওইবীদ্রবা, থওইবীদবমক নৎত্রবসু মীরায়বীরবা ‘মৱা’ অমা শোয়দনমক্কী ওইরম’নি। মাগী ৱাহৈ খরা অসি য়েংবীয়ু... *নুংশিরবা মরুপলোই, ঙসি ঐহাক অঙকপা থৱায় পানবা অমগী মরমদা ৱাহৈ খরদং পাউদমজগে তাবীয়ু। মহাক্কী মমিংনি - য়ূমগী নুপী, মহাক্কী লৈফমনি চাকখুম নৎত্রগা টি ভি সেট মমাঙ, ঈশিং থকপদগী হেন্না নুপাগী ঈ থকপতবু পামজবনি, ৱারৌ-চাউবা মতৌ অদু উৎথোক্লগা পেঞ্জবনি, ইমোসনেল ব্লেক-মেল-মাগী পামজবা খূৎলায়নি, মাগী মনাক নক্লুবগী শোয়ফদ্রবা খুদোলনি-তেন্সন কৌবা, পুন্সি চূপ্পা নারদৌবা লায়েংবা ঙমদ্রবা লায়না... রামায়ন কৌবা লাইরিক্তু, নুপীতবু মাঙদা থল্লগা ইখিবনি বাল্মিকীনা - লক্ষ্মন’না মাগী নুপী উর্মিলা সনা কোনুংদা হুন্দোক্লল্লগা, রাম’না মাগী লোয়নবী সীতাবুদি পুদুনা চৎখি উমংদা, রাবন’না মাগী নুপী লৈনা লৈনা অতোপ্পগী নুপীবু হুদুনা পুখি লঙ্কা’দা, শুগ্রীবনা রামগী মীচংদা লেপ্তুনা বলিগী মথক্তা লান্দাখি, বলিগী মখূৎ চনখ্রবী মাগী নুপীদু অমুক হন্না লৌনবা, মশাগী নুপী লৈজদবা হনুমান, অতোপ্পগী নুপী কন্নবা লংকা মৈ থাদোকখি, মীখূৎ চনখ্রবী নুপীদু অমুক হন্না লৌনবা রাম’না লান শোক্লখি কোরৌ নুমিৎ তরানি... সীতা মহাকথক্কী লংকা লৈবাক তুমখিবা, অযোধ্যা লৈবাক চাইখিবা, কাইনথংদা মহাক্না লৈনুং চঙখিনবরা? ... অসি য়ৌনা লৈবাক কাংখোং চাইখিবা, মীশি-মীনা থোকখিবা করিদগীনো? ... নিংথৌ দশরথ’না নুপী অহুম লোল্লুবদগী। ভগবান রাম’মক্না লাক্লবা ঙমখিদ্রবা নুপী কৌবা জিবনি, ইচম চম্বা ঐখোয়না করম্নদি লাক্লনি...’* অসিতা নত্তে, শাংলবা কম্মেন্টরি অমনি। ঐহাক থাজৈ, পাউজেল অদু ঐহাক খক্তদা থারকপা ওইরম্লোই। ফংনরমগনি অতৈসু। হিন্দি লোলদা ইরকপা পাউজেল ওইবদুদা মীয়াম্না থওইরুদবা ওইরমনি। অমুক্তা নত্তে, অনী অহুম্লক পাখি ঐ। মরুপ মপাং খরদসু পারগা হন্দোক্তুনা তাহনখি। খরা অমনদি ‘মাগীদু মীমান্নদবা মীৎয়েং অমনি’ হায়রগা শমজিনখি, খরনা নোকখি, খরনা তাও য়াখিদে। ঐদি খোয়দৌ শাউগৎখি - করি? মীবু মশক খঙদবা! পুন্সি খোঙলোয় অমবু মশক খঙবা ঙমদ্রগা, করেম্নো লক্লবা য়াবরা? মাগীদমক, মচাগীদমক মাগী নুপীনা ওইজবা কয়া থাদোকখিবা, অৱাবা কয়া খাঙখিবদুদি উবা করিগী ঙমদ্রিবা? কৈকেয়িনা দশরথকীদমক পাঙথোকখিবা থৌদাং অমদি থৌগায়শিং অদুদি করিগী শীংথাবীদ্রিবা? দশরথনা করিগী কৈকেয়িগী ৱা হীক্তোকপা ঙমখিদবনো? নৈনরুবা কান্ননি। মন্থরাদি কনানো? নম্বোনবী, শকথীবী ওইজবা থিবী ওইনা উবরা? মন্থরাগী মরলনা অযোধ্যা লৈবাক শেমগৎপদা কয়াম মতেং ওইখিবা। তৌবীমল খঙদবা নুপাগী মতৌ অদুদি করিগী কাউথোকখিবনো ৱাখল লৈবা শৈরেংবা?

কায়রবা য়ূম্বান অমদা কায়রবা থম্মোয় অমগী পাউদম ওইনা থারকপা মেসেজ অমগা লৈ। খঙবীনীংবরা? নীংশিংজরক্কে। লুহোংবগী মমাঙ অমসুং মতুংদা ওইরকপা নুপী নুপাগী মওংনি- লুহোংদ্রিঙৈ হীরো নম্বর ৱান, লুহোংলবা মতুংদা কুলি নম্বর ৱান, লুহোংদ্রিঙৈ মমাঙদা - নহাক্তনা মরোইরে, লুহোংলবা তুংদনা - করিনুংগী থেংনরুবা; লুহোংদ্রিঙৈ মমাঙদা - ইনাক্তগী হেন্দোকপীনু, লুহোংলবা মতুংদা - ইমাঙদা উহনবীরনু; লুহোংদ্রিঙৈ মমাঙদা - নহাক য়াওদা হিংবা ঙম্লোই, লুহোংলবা মতুংদা - খাঙবা ঙমদ্রে নতৌদো; লুহোংদ্রিঙৈ মমাঙদনা - করিগুম্বা খরদি হায়যুদা!, লুহোংলবা মতুংদনা - ওক্লো, খারে, তোকপীরো!...

ঙসিগী ৱারেং অসিগী সবজেক্ট ওইনা লৌখৎকে খঞ্জরুরিবা... ‘কায়রবা য়ূম্বান’! নৎত্রগা, ‘ময়ি চৎলবা লুহোংবা’! হায়বা ৱাফম অসিনি। ৱাফম অসি ঙসিগী খুন্নাই অসিনা তরায়না লৌফম থোক্তবা ৱাফম অমা ওইরক্লে। নুংশিননা চেল্লক্তুনা য়ূম পান্দুনা লৈমিন্নরকপা চহী ওন্দ্রিঙৈ খাইনবা। মচা লৈরবা মতুংদা ‘হু তরেৎতগী হেন্না খারবা’ মরী অমা ওইরকপা... মখল কয়াগী কায়রবা য়ূম্বানগা মরী লৈনবা থৌদোক ৱাথোক কয়া লৈকায় খুদিং মশীং থিঙমদনা লৈরম্মী। ৱায়েলশঙদা ৱাকৎনদুনা কোর্টকী য়াথং ঙাইদুনা লৈবা খরা, ইমুং মশেল তেশিন্নদুনা ৱাকোংশেল পীনরগা খাইনদুনা লৈবা কয়া, পাম্বে অনীমক্না তেশিন্নবা ঙমদদুনা নাকল অনীমক মুক্নদুনা অনম তান্নদুনা লৈবা খরা। ফেমিলি কোর্টতা নোংমখক চৎলগা য়েংবীরুচো। তাবা ফংবীরক্কনি - কম্মর্সিএল দিজিটেল ফিল্ম/ফেমিলি দ্রামা কয়াগী মচাক্না থন্না য়াওরবা ৱারী কয়া।

অদুগা পূম্নমকসি ইনৎ নত্তবা, মপান্থোংদা নুংশিননা, ঈংনা লৈমিন্নবদি মাল্লগা, কৈদৌঙৈদা অমত্তা ওইনা লৈমিন্নবা য়াররোইদবা য়ূম্বানসু লৈ লৈবাকসিদা মশীং থিবা ঙমদনা। ঙসিদি তাইবঙপান থাদোকখ্রবা, চহী হুম্ফু-হুম্ফুতরা ঈংলবা য়ূম্বাল অমগা শাগোন্ননা হিংখি খঞ্জবা অহল অমনা ঐঙোন্দা হায়রম্বদু নীংশিংলকই - ইবুংঙো, য়ূম্বান-পুন্সিদা শান্তি ফংগনি হায়বদুদি মঙদা ফাওবা মঙলুনু, ঐনা হিংলিবসি নোরোকনি খল্লগা হিংবা হৈবদুনি মায় পাকপা য়ূম্বান।

অসুম্না নুপা-নুপী অনীনা লুহোংদুনা য়ূম্বান পুন্সি অমা লেনমিন্নরুরবা, শোয়দনা ময়ি চৎলগদবনি হায়বসিদি ‘মালেম পূম্বনা য়ানরবা অচুম্বা’ (য়ুনিভর্সেল ফেক্ট) অমা শোয়দনমক্কী ওইগনি। মরমদি, নোংচুপলোমগী খুন্নায়দা চহী কুন খাইনদনা য়ূম পানমিন্নরক্লবা য়ূম্বান হায়বসি ‘মায় পাক্লবা য়ূম্বান’ (সক্সেসফুল মেরিয়েজ) অমনি হায়না শীংথানৈ। ঙসিগী ঐখোয়গী খুন্নাইসু ইশাগী ত্রেদিসনেল ভেল্যু কাউথোকখিদুনা, নোংচুপলোমগী পুন্সি শক্তম অমদি ফিদম অদুবুনা হেন্না মরু ওইনা/মমল লৈনা লৌনরকপা অসিনসু ‘ব্রোকন মেরিয়েজ’ অমগী মরু ওইবা ফেক্টর অমনি। হান্নগী ভেল্যু সিষ্টমদা চূশিন্দুনা লৈখ্রবা মীরোল অমদি কুনমাথোইশুবা চহীচাগী ভেল্যু সিষ্টম- অনী অসি কন্না মূকখায়নরকপা তানফমনি। হৌজিক ওইরিবা থাক অসিদগী হেন্না শোকচিল্লকখিনি, মায়োক্লনবা শেম শাহৌবা তাই।

এসোসিএসন ফোর কপলস ইন মেরিয়েজ এনরিচমেন্ট! ইন্দিয়াদা অমুক্তা থেংনদ্রিবা ওর্গনাইজেসন মখল অমনি। লুহোংবই মরী ফগৎহনবা-মেরিয়েজ এনরিচমেন্ট, হায়বসিমদি য়াম্না মরু ওইবা ৱাহৈ অমনি। মসিমদি ঐখোয়সু খন্নবা চুম্মী। কার/স্কুটর তোংদুনা চৎমিন্নবা উরগা মতৈ-মনাও অনীগী মরী চেৎশিন্নরমখিনি খনবসু লানগনি। সাহিত্য শুবশিংনা মশীং নাইদনা পুথোকখ্রে। মতম চূপ্পদা নুপীশিংতবু অরানবা তাহল্লি। নুপানা নুপী লৈনা লৈনা অতোপ্পা নুপীগা য়ূম্বান-মরী থম্নবা, আইন’না ঙাকপীরগদি - লীচৎ অদুমক নুপীনা চৎলবসু কায়দে - ৱেষ্টর্ন সোসাইটিগী মাইন্দ সেট’নি। অসিগুম্বা মাইন্দ সেট অসি মফম খুদিং শন্দোরকপসিদনি নুংনাংনীংঙাই ওইরিবা।

চুম্মী, য়ূম্বান-মরীদুনা ময়ি চৎত্রিঙৈ, য়ূম পাল্লবা নুপা নুপী খুদিংমক্না মেম্বর ওইবা ‘মেরিয়েজ এনরিচমেন্ট এসোসিএসন’ শেম্বা মথৌ তারক্লে। এসোসিএসন অসিগী খ্বাইদই মরু ওইবা থৌমীনি - ‘মেরিয়েজ কাউন্সেল্লর’।

—***ইন্দ্রকুমার***

ৱারী ককনাউ

# তূমিন থোকখ্রে

“বোয়াই বোয়াই, বোয়াই লৈব্রো, মপান্দা অমুক্তা থোরকউ, বোয়াই” য়ুমাই তারবা তোলপিশক্না মশাদুদি চপশাং শাংলগা ঈ কাদুনা বোয়াইগী শুমাং মতোন্দা লেপ্পগা লাউ খোংলি। মাগী মতুংদা মী খরা অমসু চাইথোক্তুনা লেপ্লী। লান মচা অমা তানবগীদমক থৌরাং তৌরবা লান্মীশিংনা ফীভম শেমদুনা লৈনবগুম্বনি। ময়াং কংখ্রবা তোলপিশক্না ফল্লগা খোঞ্জাউ থাদদুনা লাউবদুদা, ইমুংদগী অহল নুপী অমা মখ্বাং কোন্থদুনা থোরক্লগা হংলৈ,

“কনা কনানো?”

“ঐখোয়নি, বোয়াই কৌথোরকউ”

হনুবীদুনা মখূৎতা পায়রিবা চৈশুদু মাঙ্গোলদা অমুক্তং থারগা মখূৎ অনীদুনা চৈশুদুদা শৌদুনা পায়রগা মমিৎতু শুক্তোক্তুনা কনা কনানো হায়না মুন্না য়েংলি। মশোং ফল্লবা তোলপিশক অমুকসু লাউরকই।

“কান্নরোই হনুবী, শুকথনগা য়েংলগা কৈসু কান্নরোই, নচানুপা বোয়াই কৌথোরকউ। নৎত্রগা লৌখিবা শেলদু হৌজি কমক হন্দোরকউ”

অহল ইমাদু খিত্তং মায়থোঙ শোকপা মাল্লি, হান্নগী খোন্দাদগী খিত্তং পৌরপনা হায়রকই,

“নহানগী শেল হায়দি?”

“ভোট থাদনি হায়না লৌখিবদো?”

“নপা য়ান্নি মচাসা, কনাগী শেলনো? কদাইদগী শেল লৌরিবা? চৎলু চৎলু? খোনচোপ লাক্ত্রিঙৈদা।”

“করি হনুবী নঙনা কৈদৌগে হায়রিবা?” মথৌনা ফ্রং লাউনা ফুদোক্তুনা তোলপিশক্না উশিত্তনা হায়রকপদু তাবদা মাগা লাকমিন্নরিবা লান্মীশিং অদু মথৌ পাঙথোক্লগে মতাগুম মানা মানা লেপ্লম্বা ফিরেপ্তগী হোংলকপদা, তোলপিশক্না “ঙাইখো হায়বগী মওংদা মখূৎ থাঙ্গৎতুনা খাম্মী। লান্মীশিং হান্নগী ফীভমদা অমুক হঞ্জিন্নখি। ফীভম অসিনা তাক্লিবদি ঙাইহাক্কী মতুংদা অখাক অরাওগা লোয়নবা লানফম অমা বোয়াইগী ইমুংদা ওইরগনি হায়বসি ইরায় লায়না খঙই। অদুবু অহল অদুদি হন্থবা কৌবা লৈতনা ৱারৌরপ তৌনা মখা তানা হংলক্লি,

“ইবুংঙো, কনানা কনাদগী, করিগী লৌখিবা শেলনো?”

“নচানুপানা লৌখিবনি, অদুগা ভোট থাদরমদ্রে, অদুনা শেল হনগেরা নৎত্রগা নয়ূম মৈ চাক্কেরা হায়না হংবা লাকপনি”

“হাই শিগৈজান, অশোনবা ঐনা শোল্লি শোল্লি থোরক্তুনা থাদরম্মীবা ভোটতুদি করিনো?”

“হনুবী নঙনা থাদরম্মীবা ভোটতু মীশক ওন্নেনে”

“করি মীশক ওন্নবাইদি কৈনো? নোইনা থাদৌ হায়বা মফমদুদা থাদরম্মীদুদি?”

“অদু ওন্নে হায়বনিনে। ঐখোয়না হায়বনা কেলি চানা কাংহৌ য়েকপা মার্কাদা থাদৌ হায়বনি, অদুগা হনুবী নঙনা থাদরিদুনা পাকনম য়েকপা মার্কানিনে।

“মিৎকা উদবদুদা - কেলি চানারা, পাকনমলা অমা থাদরম্মীদু ফরবনি”

“অদু য়াদেনে, হৌজিক্তি পাক্লমনা কাখ্রে, ঐখোয় খুদিংমক পাক্লম নমগে হায়রক্লনিনে”

“মসি নহাসি ওন্থোক্লা নুংশিখিদ্রেদা, চৎলোনে আদা। নয়ূম মৈ চাক্কেরা গাইনা। নঙ নয়াংদুদা চৈশুসিনা কল্লুরা হা”

“মসি মথৌনা য়াম লৈরমাল্লেদা, মসি থোক লৌথোরক্কনিসে”

“করি হায়বা, ঐবু লৌগে হায়বা, মহা শিগৈজান” মখূৎনা পায়বা চৈশুদুনা লাম্মী। মাই মতৌদুদা খ্বাই মনিংদা লান্মী শাদুনা লেপ্পীবা মখোঙ ফাও চুম্না থাংবা ঙমদ্রবা নহাদুনা মাঙ্গোলদা ফৈনা ফৈনা চঙশিল্লক্লগা,

“মসি লোইশিল্লম্মগে” হায়না চঙশিল্লকপদা, অতোপ্পা নুপা অমনা মশা শগন পায়রগা থোক চিংখিবদা নুপাদু অনীরক উরু-রু লৈরগা লৈমায়দা মথন্তা য়ুংশিন্দুনা তাখি। অদুদৈ অদুম ফনা কুইনা হৌগৎলকখিদে। তাঞ্জাদুদা ইমুংদগী বোয়াই, টি-শর্ট অমা লিৎলগা চাউরবা মপাম্বোমদু তাখৎতুনা চেন্থোরকই।

“হে নঙ কনানা থারকপনো? নঙ শিগেরা?”

তোলপিশক্তু বোয়াই থোরকপা উবদা হরাওরে,

“নঙনি ঙসাইদগী থিরক্লিসে, ঙসিদি ৱা শেংদোক্লসি, নঙনা ভোট থাদনি হায়না লৌখিবা শেলদু ভোট থাদ্রবনিনা হন্দোরকও। ফজনা য়ানরদি তঞ্খাই অমা তাবীনি, য়ানদ্রগনা নয়ূমসি তাঙ্গোই ওনবা তারে”

খঙহৌদনা বোয়াইনা নুপাদুগী মঙকশম গলাদু তাপ পায়রগা মমাইদুদা খূৎপাক্লা শেৎ লাওনা থাখিবু, মখোলদু হায়রপ ফজৈ। খাঞ্জেলদু তাবদা, ঙসাই তুদুনা লৈরিবা নুপাদু ফুক হৌগৎলগা থোঙ্গাল্লোমদা চাউকান চাউকান কান্দুনা চেন্থোকপা হৌখি। মসোং ফল্লম্বা লান্মীশিংদুসু মরী মরী থোক্লবা থৌরাং তৌনৈ। ফীভম য়েংলগা চেনখিবা য়াবগী ফিরেপ্তা লোইনা লেপনৈ। বোয়াইগী খূৎচাউদুনা থাবদা মমায় মকোক উরবা তোলপিশক্তু মমিৎ ঈ কাদুনা লৈশিল্লক্লগা,

“নঙনা ঐবু খূৎ থারবা?”

“নঙ কনানা থারকপনো?” বোয়াইনা অমুকসু হন্না খূৎপাক্লা থাগে তৌরগা হংই।

“নঙনা ঐঙোন্দা ভোট থাদৌ হায়না শেল পীব্রা, নোইনা ভোট কাজদ্রগা করিগী মী খুদিংগী তাইনরিনো? ঈ ভি এম মনুংদগী ঐ ভোট থাদদে হায়রকপ্রা? অদুক য়াম্না নচিন থিরিদু করিগীনো? কৈদৌবৈ কাদ্রি ভোটনো হায়দুদি খনগে হায়দ্রগা নোইনা শেল পীখিবা খুদিংগী সুম খৎনবা হৌরি কৈগীনো? চৎলু নৱা লৌদে। নোইনা তৌনীংবা তৌরকউ”

“ও ফৈ ফৈ, অদুদি য়েংনবা তারেদনা” হায়রগা মশাদু হাইরং তুরং থোক্কে তৌরকপদা বোয়াইনা তান্নরক্লগা, লুশমদা পায়দুনা চিংশিল্লগা,

“হে কৈনো য়েংনদুইদো, হৌজিক য়েংনরসি”। সি য়ৌরকপদদি লাকমিন্নবশিংদু লোইনা মতুং হন হন্দুনা থোক্লখ্রে।

“নোইগুম্বা কয়াসিনা দেমোক্রেসি লোইনা সলাক শাহল্লবনি। নঙনা শেল থৌবা লাক্লিসি কেন্দিদেটতুনা থৌরুচো লাকপ্রা নৎত্রগা কনানা থারকপনো?”

“কনামতনা থারকপা নত্তে, পীরক্লদি ঐনা লৌগে তৌনি, ঐ মতুংদা অমুক শেল থৌবা চৎলরোই”

“মতুং তারকপদা কনাগুম্বা অমদা সুমাইনা তৌরে হেক তাবদা নঙ শিরে খঙউ। চৎলু...”

তোলপিশক তূমিন থোকখ্রে।

-***নরেন্দ্র নিংঙোম্বা***

শৈরেং

## কচ্ছবা

**—ডা. রনজিৎ মঙাং**

অৱা অনা থল্ল মীওই পুন্সিনি
মীওই কয়াগী পুন্সি মঙফাওহল্লম্বা
অঙ্গো চীংদা য়াহিপ তাল্লিবা
হে অথৌবা! কংলৈগী মনি
নহা অহল ঐখোয় খুদিং
নহাক্কী তৌবীমল কাউবা ঙম্নরোই
নঙগী মতিক ময়াই নীংশিং
মিৎকী পি পিরাং পিরোইনা
পূক্নিংগী লৈ খুজোক খুজোক কচ্ছরি
হরাউ মোমোন মীনোক তম লৌবিয়ু
হে লময়ানবা নঙগী মিং মুৎপা লৈররোই
নঙসে কয়াদা মপোক ফখ্রবা?
হে মৈত্রবাক্কী লাইবক ফবা !
মীওইবা মপোক্কী তমজনফম ওইবা
নঙবু নুংশিদবা নঙবু শোন্নদবা
মালেমদা কনা লৈরমগনি থাজদে
নহাক্না খুন্নাইগী হোৎনরম্বা মহৈ
ঙসিসু নঙনা অদুম মফংজৈ
নঙগী লমজিং লমতাক লম্বীদা
মীপূম খুদিং লৌশিং লৈহনখি
নঙদি খুন্নাইগী তাঙলবা লমজিং পুরেন্নি
মালেমগী লুচিংবশিং মরক্তা অমনি
মালেম ইমানা লৈরিঙৈ মতম
মীপূম খুদিং নঙবু শোন্নরি।
চহী কয়া চঙনা ওইরকই
ঙসিগী নুংশিরবা ইমা মালেম
মতম কয়া চঙনা ওইরকই
ঙসিগী লেমজনফম ওইরবা মণিপুর
অৱা অনা কোঙ্গায় খাঙ
লৌশিং শীংবা নঙনা তুংগী শেল্লকই
নুংশিরবী মালেম ইমানা কায়দ্রিঙৈ
মীওইবতা নত্তা অহিংবা খুদিং লৈরিঙৈ
নঙবু কাউবা ঙম্নগনি থাজদে
হে কংলৈগী মীনুংশিনা য়োল্লবা অথৌবা
নুংশিরবা নঙগী নফমদা হৈ-লৈ কচ্ছরি
মীনুংশি লৈবা নঙনি লৎনদা লৌবীয়ু
অথৌবা! মীয়ামগী লুচিংপুরেল
অমোৎপা অমত্তা য়াওদ্রবা ঈশিংগুম
নঙগী থম্মোয় তরু তরু নিংথিজৈ
নুংশিরবা নহাকপু তান্থোকখ্রবা মতুং
মীনুংশিনা য়োল্লবা থম্মোয় কায়খি
মীরোলগী খন্না পুন্সি য়াহিপ তান্নখি
হে অথৌবা! লুচিংপুরেল!
নুংশিরবা নহাক অমুক হল্লকখো
নঙগী মণিপুরবু অমুক্তং য়েংলখো
মতম খুদিং নঙগী নজাতি কাউবীগনু
ঙসিসু তরাম তরাম ওক্লি
মীয়াম কায়না মৈশা খাঙলি
নহাক্কী তৌবীমল কাউবা ঙম্নদা
চহী খুদিং ইরাবোত নুমিৎ পাঙথোকই
মীয়াম নঙগী খরদং হোৎনজবসি
হে অথৌবা নহাক্না পেনবীগনি
ঙমজবা হৈ-লৈ খরদং কৎলিবসি
মিৎকী পিগা লোয়ননা শেঙনা কচ্ছবনি।

## মহাউ

**—রাজকুমারী মীনা**

ফাখিবা ঈশৈ নোংমতসু ঙংলকই
তংখিবা মহাউ কাউবা ঙমদে
ওইদবা কয়া কয়ানা অওইবা শাখিবা
মহাউ খঙনা চাখিবা এঞ্জাং
নীংশিংদুনা অদুমক লৈ হায়বদুনি।
হিংবা শিবগী করবার
অৱা নুংঙাইগী কৈথেল
লৌনম নমথাক্কী মরুপ
মীনম চীরোলগী লৈফম
অসিনি মতমগী সমাজ।
খোঙথাং খুদিংগী তাঞ্জা কায়বা
মীৎকুপ খুদিংগী খোঙফম হোংবা
নোংম-নোংমগী লেনখিনবা তৌবা
ওইজ-ওইথক্তা থিনীংবা
মীওইবনা মাঙহনবা লৈবাকনি।
মাগী মাগীতা ওইনীংবা
নীংবা থুংলগা নোকপা
অৱাবা তারগা নান্থোক্লবা চেনবা
করি থোক্লে অপং থম্মোয়
কায়রে, তোয়রে, লোইরে।
মীনম্বা ওইদবা য়াম্মল্লে
চাওনীংবা কানীংবা হেনবনা
ইকায়বা খঙদনা হায়রি
লেমজবা লৈতনা লাংলি
নখোঙনা মোংফম থিরিবা
ইশানা ইশাবু হাৎলি।
নতোমতা তংগে খনগনু মহাউদো
নুংঙাইবা মপোক ওইহনসি।

## চাক্লুক অমগী মমল

**—ডা. নির্মলা রাজকুমারী**

খনবিবগে কনানবু লুনা
চাক্লুক অমগী মমলবু
মাঙহল্লি চাক এঞ্জাং কয়া
উসবতা, চাকচা হৈজানবদা, চাক্কৌবদা
লেমহনবা কয়া চাক্লুক্তা
খল্লুদে কনামত্তনা
লৈরি চরা হেনবা কয়া
চাবা ফংদবা নোংমগী চাক্লুক অমফাও
শেঞ্জাও পায়বা কয়ানা
চারি চাক্লুক অমদা
লুপা লিশীং অমা অনী
মঙা তরা ...
অমরোমদনা চাক্লিবা কয়া অমা
লম্বীদা, রেলৱে ষ্টেসনদা
কয়াদা হরাওনা ওকখিবা
থোঙনাওদগী তল অমা পীবদা।
খঙখি ঐসু নোংমদি
য়াম্মী মমল কয়া চাক্লুক অমগী।
ওন্থোকপা নুমিৎ অমদনি
খোঙচৎ অমদা কন্যাকুমারিগী
ইখঙ খঙহৌদনা লেপখি ত্রেন
ওরিষাগী রেলৱে ষ্টেসন মচা অমদা
কুইনা খামজিল্লক্লবদুদা
হংলুবদা কুমথরগা
হায়রকই রেলৱে ষ্ট্রাইক হৌখ্রে
য়াররোই চৎপা
নুংশাদুদা শারবা কালেনগী
খাঙখি ওন্থোক্লা ৱানা
অমত্তসু ফংখিদে চানবা থক্লবা
চাক লাম্বনা লোইরবা মতমদুদা
খনখি মতমদুদা
ফংলবদি চাক্লুক অমত্তং
হায়নরকই ঙাইহাক লৈরগা
চাক থোঙলগা লৈহৌরে
নহারোল খরনা চারুরসি।
হরাওখি ওন্থোক্লা
চৎলে চাক চাফমদুদা
লৈরম্মী মীয়াম ক্য লেপ্পগা
পায়রগা মখূৎতা উনা অমমম
ঐসু লেপ্লুই
পায়রগা উনা অমা
হাপ্লকই চাক খরগা
হৱাই থোংবা খরগা
উনাগী চাক্লুক অমমমগী মমল
লুপা কুম্থ্রা কুম্থ্রা
ওন্থোক্লা মমল য়ামখি
নুমিৎতুগী উনা চাক্লুকতো।

## হৈক্রু

**—ইরোম মোবি**

হৈক্রু ইকায়রে নাথৈরে
মমায় নানবী সেম
মশক ফজবী সেম
মমল তাঙবী সেম
সেম ঙাক্তা লৈনখরে
লুকমাইদা ঙান্থোইহল্লে
মোমোন নোকহল্লে।
মমল হোংলসু
মশক ৱাৎলবসু
কান্নবদি মচি ওইবদি
হেল্লি হৈক্রুনা।
হৈক্রু মীরাইবদি
খুন্নাই মীরাইবনি।

## লাকখিনি

**—নরেশ লাইময়ূম**

লাকখিনি নঙগীসু নোংমদি
হরাওবা মোমোন মীনোক
থোক্লকখিনি নুমিৎ অমা
মশেক মঙালগা লোয়নরদুনা
থম্মোয়গী কিশিসু
থোক্লক্কনি মতমদুদা
লৌথুপ লৌকোই লৈতনা
অনৌবা য়েনীংসু চোংলক্কনি
থৌজালগী ইরিকপু ফংলবদা
করিগী ঙাইঙমদ্রিবা নহাক্না
খোঙফমদুদা চেৎনা লেপখো
মীৎয়েংদুদা হোংখিনু।

## নুংশি শক্তম

**—ৱারিবম মৈনো**

ঙসি ঐগী মঙলান্দা
মালেম লৈকোয় পুঙসিদা
‘ঐ’ বু থিবা ফংদরে,
ঙক্তবা ঙমদে তাইবঙদা
মপুগী খূৎশেম মালংদা
‘ঐ’ বু মশক খঙদরে।
ঙাঞ্জানবা মঙাং কোরৌদা
লুনা ৱাংবা লুৱাংদা
শুক্না মমখ্রবা খুমনদা
ঈংলবা থাজগী থানিলদা
নুংশিবা থরোগী লৈনমদা
‘ঐ’ বু ঐনা ফংজরে।
মহৌশাগীদি লাইরেম্বী
ইপুরোইগীদি লোয়নবী
মাগী শক্তম উৎপীরে
নীংথিবী লৈরাং লৈশক্না
মরীক চুম্বা হৈরাং হৈশক্না
শিদবা শক্লোন উৎপীরে।
লিরি হুম্বা মালংবনা
নুংশিনা খোংবা চেক্লাশিংনা
লাইনিংথৌ লাইপাউ তম্বীরে
লৈরাং লৈচু লীশিংনা
হৈরাং হৈশক চাম্মনা
চুনাইদবনি খঙজরে।
শক্লোন চাম্মা পুরিবী
থাজৎ কয়া খায়রিবী
লাইরেম্বী ইমানা শিন্তাক্লি
তত্তনা চেল্লিবা লাইজনা
ঈপোম হৌরবা তরংনা
নঙগী থৌজাল য়েনবীরি।
অচৌবা চীং, অশাংবা তুরেল
অচৌবা নূঙ, উরেল, ঈরেল
নঙগী শক্তম ওইরম্লে
লৈথক্লোনগী শক্তমশিং
লৈখারোলগী শক্লোনশিং
নঙগী শক্তম ওইরম্লে।
নুমিৎ থা থৱান্মীচাক
খোংজোমনুবী চয়োল তরেৎ
নঙগী থৌজালনা ঙাল্লম্লে,
থরো, থম্বাল, থারিকলৈ
লৈহাউ, মেলৈ, লৈবাকলৈ
য়েংঙুবদা নঙবুতবু ফংজরে।
শক্লোন চাম্মা পুরিবা
কুমওন চাম্মা কুমদম্বা
নঙগী নতিক খঙজরে,
শকউদবা নুংশিবা
তাইবঙ খুর্জি পায়রিবা
থম্মোয়নুংদা লাৎচরে।
তাইবঙ লৈরাং মরক্তা
মীওই পুন্সি মপোক্তা
খূৎশেম ওইনা লৈজরে,
মশক মচু থোক্ত্রসু
লৈশক মপূং ফাদ্রসু
লৈরাং ওইনা শাৎচগে
থৌজাল লাইজ খিকপীয়ু
নশাইগোন্দা থম্বীয়ু
নঙগী শক্লোন য়েংজগে।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।